# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নুমিৎ নীনি চূপ্পা পাঙথোক্কদবা উত্তর প্রদেশ ইনভেষ্টর সমিট হাংদোকখ্রে



**লক্ষনৌ, ফেব্রুৱারী ২১ ঃ** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি লক্ষনৌদা নুমিৎ নীনি চূপ্পা পাঙথোক্কদবা উত্তর প্রদেশ ইনভেষ্টরস সমিট হৌদোকখ্রে। ঙসি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর, পোলিসি মেকর, একাদমীসিয়ানশিং অমসুং লৈবাক অসিগী ইন্দষ্ট্রিগী লমদা থবক তৌরিবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না ষ্টেট অদুগী চাওখৎ থৌরাংগী লমদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং শীংথাখি। ষ্টেট অদু হৌজিক চাওখৎ মায়কৈদা চঙশিল্লক্লি। নুমিৎ নীনি পাঙথোক্কদবা মীফম অদুদা সেসন ৩০ পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি। য়ু পি গী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা মশামক থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা মফম অদুদা লাক্কুনা য়েংশিনখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী লৈঙাক্না দিফেন্সকী লমদা থবক তৌবা অমসুং তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা য়াইফনবা থৌরাং পায়খৎপশিংগীদমক লুপা ক্রোর লীশিং ২০ কায়থোক্লে হায়খি।

উত্তর প্রদেশকী ইনভেষ্টর সমিট ঙসিদগী হৌখ্রে। সমিট অদুনা উত্তর প্রদেশতা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা কান্নবা ফংগনি হায়বগী থাজবা থল্লি। মীফম অদুদা মেমোরেন্দম ওফ অন্দর্ষ্টেন্দিং ৭০০ সাইন তৌনগনি। যোগি অদিত্যনাথ লমজিং মখাদা মীফম অদু উত্তর প্রদেশতা পাঙথোকপনি হায়রি।

মীফম অদুদা সেন্টরগী লুচিংবশিং কয়া শরুক য়াখি। শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা রাজনাথ সিংহ, নিরমলা সিটারামন, রবি সঙ্কর প্রসাদ, স্মিৃটি ইরানি, পিয়ুজ গোয়েল, ধর্মেন্দ্র প্রধান, নিটিন গৎকারি, সুরেজ প্রভু, হর্জ বর্ধননচিংবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

মীফম অদুনা য়ু পি দা এভিয়েসন, দাইরি, ইলেক্ত্রোনিক, টুরিজম, ফিল্ম, হেন্ডলুম এন্দ টেক্সটাইন, এগ্রো এন্দ ফুদ প্রোসেসিং, আই টি এন্দ মাইক্রো, স্মোল এন্দ মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেসশিংদা ফগৎহন্নবা মীৎয়েং থল্লি হায়রি।

ইন্দিয়াগী ইন্দষ্ট্রিয়েলষ্টি কয়াসু মীফম অদুদা শরুক য়াখ্রে। গৌতম অধানি, মুকেস অম্বানি, সুবাস চন্দ্র, এন চন্দ্র সেখরন, অনন্দ মহিন্দ্র, কুমার মঙ্গলম বিরলা, সুবাস চন্দ্র অমসুং সোবানা কমিনেনিসু শরুক য়াখি। লোয়ননা লুচিংবশিং অদুনা ৱা ঙাংনবগী মতমসু লেপখ্রে হায়রি। মদুতা নত্তনা মাওরিসিস, জপান, নেদরলেন্দ, ফিনলেন্দ, জেক রিপব্লিক, থাইলেন্দ অমসুং স্লোভাকিয়াগী মীহুৎশিংসু শরুক য়ারি হায়রি।

# সিরিয়াদা লান থোকপনা মরম ওইরগা চাওনা অমাঙ অতা থোক্লে



**দমাস্কস, ফেব্রুৱারী ২১ ঃ** সিরিয়াগী নোংপোক থংবা রিবেলশিংনা খুদুম চনবা ঘৌটাদা থোক্লিবা ফিভম অদু অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মাঙ তাকপগী থৌদোক অমনি হায়না লমদম অদুদা মথৌ তৌরিবা ডাক্তর অমনা ফোঙদোরক্লি।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াগী মীওই কয়ানা মফম অদুদা লৈরি। মীওইশিং অদু হৌজিক চানবা চীঞ্জাক, হিদাকলাংথক, লৈফম লৈতবগী অৱাবা কয়া মায়োক্নরি হায়না ডাক্তর বাসমনা বি বি সি ন্যুজদা ফোঙদোকখ্রে।

লমদম অদুদা ৱেদ নৎত্রগা চানবা চীঞ্জাক অমত্তা ফংবা ঙমদ্রে। মিনিট ১০ নৎত্রগা ২০ খুদিংগী এয়ারষ্ট্রাইক চথরক্লি। নুমিৎ হুম্নি চূপ্পা নোংপোক থংবা ঘৌটাদা এয়ারষ্ট্রাইক চথরকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০০ রোমগী পুন্সি মাঙখ্রে।

সিরিয়া মিলিটরিগী মতূং ইন্না লমদম অদু টেরোরিষ্টশিংগী মখূৎতগী মনিং মখা তমহন্নবা হোৎনবনি। অদুম ওইনমক মখোয়না মরাল লৈজদবা মীচমশিংদা তার্গেদ তৌরে হায়রি।

লমদম অদুদা লৈবা দুকান, কৈথেল, হোস্পিটাল, স্কুল, মোস্কনচিংবা মফম কয়াদা তার্গেদ তৌরক্লি। ডাক্তর হাসমনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা লমদম অদুদা লৈবা অশোক–অপন নংলবা মীওই কয়া লায়েংনবা থবক পায়খৎখিগনি। ইন্টর্নেসনেল কম্যুনিটি অমসুং য়ু এন সেক্যুরিটি কন্দায়দা চংখ্রবগে মখোয় য়াওনা মীচমশিং হাৎননবা হোৎনরৱা হায়বগী অকিবা লৈরে। লৈঙাক শৌগৎপা কাওবুশিংদা রুসিয়ানা মতেঙ পাঙশিন্দুনা রিবেলশিংনা খুদুম চনখ্রবা মফমশিং অমুক হন্না লৌশিন্নবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদগী অকনবা থবক চথরক্লি। অদুগুম্বা থৌওং অদু চথরকপনা লমদম অদুদা অঙাং ৬০ শিহনখ্রে অদুগা মীওই ১৪০০ না অশোক–অপন নংখ্রে। য়ুমশকৈশা নুমিত্ত সিরিয়া লৈঙাক্কী লান্মীশিংনা এয়ারষ্ট্রাইক চথরকপদা মীওই ২৪ শিহনখিবগা লোয়ননা লৈঙাক্না রিবেলশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরম্বা মফমশিং লৌশিন্নবা হোৎনবদা শিখিবা মীচমশিংগী মশীং ২৯৬ শুখ্রে হায়না য়ু কে দা বেজ তৌবা সিরিয়ান ওবজার্বেটেরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোরক্লি।

লমদম অদুদা পোকখাইবা য়াবা মচাক থন্না য়াওরবা বেরেল বোমশিং থাদরক্লি। জিসরিন অমসুং কাফর বটনা লমদমদা লৈঙাক্কী লান্মীশিংনা অকনবা মওংদা রেদ চথরক্লি।

য়ু এন না হৌজিক মীওইবগী মীনুংশি অমসুং মীওইবা অমা ওইনা মতেঙ পাঙননবা পায়খৎলিবা থৌশিলশিং য়েংলগা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পনবা মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌখ্রে। নোংপোক থংবা ঘৌটা ইস্লামিস ফেকসন অমা ওইরিবা জৈয়স অল–ইস্লামনা খূৎলিংদুনা লৈবা মফম অমনি। মদুতা নত্তনা অল কায়দাগা শম্নবা হায়ট টাহারি অল–সামনচিংবা মিলিটেন্ট কয়াসু মফম অদুদা লৈরি।

সিরিয়া ষ্টেট টিলিভিজন্না রিপোর্ট তৌরকখিবদা লৈঙাক্না খুদুম চনবা দমাস্কসকী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা মীচম তরুক শিখ্রে হায়বা কনফার্ম তৌরে। অদুগা মীওই ২৮ না অশোক–অপন নংখিবগী পাউ লৈরে হায়রি।

সিরিয়াদা থোক্লিবা ফিভম অদু খ্বাইদগী তমথিবা মাঙ–তাকপগী থৌওং অমনি। মালেমগী লৈবাক কয়ানা ওইরিবা ফিভম অদুদা মীৎয়েং চঙবগী তঙাই ফদবা লৈরে হায়রি।

# ইন্দিয়াগী ঙমখৈ লান্না পাকিষ্টানগী চোপর পাইশিল্লকখ্রে

**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২১ ঃ** জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী পুন্স সেক্টরগী ইন্টর্নেসনেল বোর্দরদগী মিটর ৩০০ লানশিল্লত্তুনা পাকিষ্টানগী হেলিকোপ্টর অমা পাইশিল্লকখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতূং নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবা নৎত্রগা নোংমৈ কাপ্লবগী থৌদোক থোকখিবা লৈতে। মালেমগী ওইনা চৎনবা কাঙলোন অমগী মতূং ইন্না লৈবাক অমনা লৈবাক অমগী ঙমখৈ মনুংদা অয়াবা য়াওদনা এয়ারক্রাফ্ট পাইশিনবা য়াদবগী কাঙলোন লৈ।

পাকিষ্টানগী হেলিকোপ্টর অদুনা ইন্দিয়াগী ঙমখৈ লান্না মিটর ৩০০ রোম চঙশিল্লক্লম্বা মতূং হন্দুনা পাইখি হায়রি।

# সি বি আই না পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্ককী ওফিসার অমা ফারে

**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২১ ঃ** পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্ক (পি এন বি) কী জেনরেল মেনেজরগী থাক্তা লৈবা ওফিসার অমা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই) না ফারে। মহাক পি এন বি গীলুপা ক্রোর ১১,৩০০ গী ৱাথোক অদুগা মরী লৈননা ফাগৎখিবনি। মীওই অদু সনা লুপা য়োনবা নিরব মোদি অমসুং মহাক্কী মখুরা মেহুলচোকসিগা মরী লৈনবা মীওইনি হায়রি।

মুম্বাই হাউস অমসুং মুম্বাই ৱাঞ্চকী মকোক রাজেস জিন্দাল ইং ২০০৯–১১ দা অরানবা কয়া তৌখি হায়বগী মরালদা ঙরাং নুমিদাং ফাজিন্দুনা থমখ্রে। নিরব মোদিগী ফার্মদা লোন ওইনা সেঙসন তৌখিবা শেলফমদগী হেন্না শেন পীখি হায়বগী মরাল শিরি।

জিন্দাল পি এন বি গী ন্যু দিল্লিদা লৈবা হেদ ওফিসতা জেনরেল মেনেজর ওইনা থবক তৌখিবনি। মহাক্কী মতম অদুদা অরানবা মওংদা লুপা ক্রোর ১১,৪০০ পীথোকখি হায়বগী ৱাকৎ লৈরিবনি হায়রি।

পাউ অমগী মতূং ইন্না পি এন বি দা অরানবা থৌওং কয়া চথদুনা দোলর বিলিয়ন ১.৮ লান্না লৌথোকখিবগী ৱাথোক অদু হৌখিবা চহী ৭ রোমদগী হৌরকখিবগা লোয়ননা ফাবা ঙমদনা লৈরকখিবনি হায়রি।

চহী ৭ চূপ্পা নেসনেল বেঙ্ক অমদা অরানবা থৌওং কয়া চথরম্বা অদু ফাবা ঙমদনা লৈরকখিবা হায়বসি অঙকপা থৌওং অমনি। ইং ২০১৬ তা বাংলাদেশকী সেন্ত্রেল বেঙ্ককী কম্প্যুটরশিং হেক্কিং তৌখিবগী ৱাথোক কয়াসু লৈখ্রে।

পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্কতা ওইরিবা ফিভম অদু অতোপ্পা বেঙ্কশিংদসু থোক্লম্লোই হায়বগী থাজবা লৈতে হায়রি।

# অলবোননা মেঘলায়াগী লৈখিদ্রবা এন সি পি গী মীরেপগী য়ূমদা চৎতুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে



**তুরা, ফেব্রুৱারী ২১ ঃ** য়ুনিয়ন টুরিজম মিনিষ্টর কে জে অলফোননা ৱিলিয়ম নাগরদা লৈবা লৈখিদ্রবা নেস্নেলিষ্ট কংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা জোনাথন এন্দ সংমাগী য়ূমদা চত্তুনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা উন্নবগা লোয়ননা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টর অদুনা অৱাবা নংলবা ইমুং মনুং অদুদা মীহাৎ অদুগী অচুম্বা ৱায়েল অথুবা মতমদা ফংহনগনি হায়বগী থাজবা পীখি। মেঘলায়াগী সাৱিলগ্রিদা মীফম অমা য়াওরুরবা মতূং হল্লকপগী লম্বীদা গারো নেসনেল লিবরেসন আর্মি (জি এন এল এ) নি চিংনবশিংনা আই ই দি বোম পোকখাইহন্দুনা সংমা অমসুং মহাক্না লোয়নবা মীওই অহুমগী পুন্সি মাঙহনখি।

মীহাৎ অদুগী মায়োক্তঃ ৱিলিয়ম নাগরদা লৈবা বি জে পি ওফিসতা অথুবা মীফম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা জনাথন অমসুং অতোপ্পা মীওই অহুম হাৎখিবা অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা মরাল লৈবশিং অদু খ্বাইদগী কনবা চৈরাক পীননবা তকশিনখি।

থোক্লিবা থৌদোক অদুদা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফাওই। লুচিংবা অদু লৈখিদবদা মাঙজবা কয়া লৈরে। মহাক ৱিলিয়ম নাগরদা বি জে পি গী মীরেপ ওইরিবা সন্তোস আর মরককী মবাইনি। লুচিংবা অদু লৈখিদবনা মেঘলায়াদা রাজনিটিগী লমদা চাওনা মাঙজবা অমা ওইহল্লে হায়রি।

মেঘলায়াদা আই ই দি বোম পোকখাইহন্দুনা চথরকখিবা এটেক্ট অদু সোহাননা শিন–লাংদুনা চথখিবা ওইগনি হায়না মেঘলায়া পুলিসনা চিংনরি। গারো হিলসদা ৱিলিয়ম নাগরগী এসেমব্লি মীখলদা মীরেপ ওইরিবা মীওই অমগী পুন্সি মাঙখ্রে। ষ্টেট পুলিসনা হৌজিক জি এন এল এ গী লুচিংবা সোহান দি সিরানা মীহাৎ অদুগী মপুঙ ওইবা থৌদাং লৌরমগনি হায়বগী চিংনবা ফোঙদোরক্লি।

এন সি পি গী ৱিলিয়ম নাগর মীরেপ জোনাথন সাংমা অমসুং অতোপ্পা মীওই অহুম ইষ্ট গারো হিলস লমদমদা আই ই দি বোম পোকখাইহন্দুনা হাৎখ্রে। মীওইশিং অদু জি এন এল এ না লাং থাক্কুনা হাৎখিবা ওইগনি হায়না গারো হিলসকী এস পি মোমিননা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

মোমিননা হায়, সোহাননা লুচিংবা লালহৌলূপ অদুগী কাদরশিং মফম অদুদা লৈরম্বদগী চেনখ্রে। খুঙ্গং অদুদা লালহৌবা কয়া লৈরে হায়বা পাউ ফংবগা লোয়ননা পুলিসকী অপুনবা খূৎপু অমা চঙশিনখি। অদুম ওইনমক পুলিসনা মফম অদু য়ৌখিবা মতমদদি লালহৌবশিং অদু মফম অদু থাদোক্কুনা চেনখিরম্লে।

মোমিননা হায়রিবা লমদম অদুদা পাক চাউনা ওপরেসন চথরমখি হায়বগী পাউসু ফংবা ঙমখি হায়রি।

# সাউথ অফ্রিকাগী পুলিস ষ্টেসন অমদা এটেক্ট চথরকপদা পার্সোনেল মঙা শিরে



**কেপটাউন, ফেব্রুৱারী ২১ ঃ** সাউথ অফ্রিকাগী নোংপোক থংবা কেপ প্রোভিন্সতা চথরকখিবা এটেক্তা পুলিস ওফিসার ৫ অমসুং লান্মী ১ শিরে। সাউথ অফ্রিকান গভর্ণমেন্ট ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোরকখিবদা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা অৱাংবা থাক্কী ওফিসার অহুম য়াওরি।

দ্যুটি ওফ লৈবা লান্মী অমসু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলমখি। মদুগী মতূং অরানবা তৌবা মীওইশিং অদুনা পার্সোনেল অনী ফাদুনা পুখি। মখোয়গী অশিবা হকচাং অদু কেম্প অদুদগী কিলোমিটর ৬ লোম লাপ্পা মফম অমদগী ফংবা ঙমখ্রে।

এটেক্ট অদু করিগীদমক চথরকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। মমাঙদা কেস মেছিন অমদসু হুরান চিংহি চথরক্লগী থৌদোক লৈখ্রে। অদুগুম্বা থৌদোক অদুগা হন্দক থোক্লিবা থৌদোক অসিগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়রি।

অরানবা তৌবা মীওইশিং অদুনা ষ্টেসন অদুদা লৈবা পুলিস বেল অমদগী নোংমৈ ১০ সু পুখ্রে হায়রি। জেনরেল খেহলা জোন সিটোন কৌবা সাউথ অফ্রিকাগী পুলিস সার্ভিসকী নেসনেল কম্মিস্নারনা ফোঙদোরকখিবদা এটেক্ট চথরকখিবা মীওইশিং অদু ফংননবা থিবগী অকনবা থবক চথরি হায়রি।

চথরমখিবা এটেক্ট অদুগী ফিভমশিং উৎপা ফোটো কয়া সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎনরক্লি। ফেসবুক শীজিন্নবা অমসু এটেক্ট অদুদা মহাক্কী ইমুংগী মীওই অমা লৈখিদ্রবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা লো ইনফোর্সমেন্ট ইনষ্টিট্যুসন্দা এটেক্ট চথরকপা হায়বদু মীয়ামগী ঙাকশেল অমসুং শাফবা ফিভমদা এটেক্ট চথরকপা অমনি। হৌজিক লমদম অদুদা লৈবা মীওই কয়া মীপাইবা অমগা লোয়ননা হিংলি।

মখোয়না মীয়ামদা এটেক্ট তৌবা ঙম্লবদি মখোয়না মীয়াম কন্ননবনি হায়রিবা ৱাফম অদু কদায়দা চৎখ্রবগে অদুগা মীচমশিংনা হৌজিক করি ওইরিবগে। লোয়ননা মখা তানা করম্বা ফিভমদা লৈগদৌরিবগে হায়নসু ৱাহং কয়া হংলক্লি।

বি বি সি ন্যুজগী কোরেস্পোন্দেন্ট মিলটন কোসিনা হায়, ঙসিগী এটেক্ট অদুগী মমাঙদা পুলিস ওফিসার কয়া হাৎখিবা লৈখ্রে। ইং ১৯৯৪ দা জাৎ কুচু খায়বগী থৌওং লোয়শিনখ্রবা মতূং পুলিস ওফিসারশিং চাদা ৫২ হাৎখ্রবনি হায়রি।

# ওলিভ রিদলি জোন্দগী আইন কায়না চঙশিল্লকপা ঙামী ৪০ ফারে

**মুম্বাই, ফেব্রুৱারী ২১ ঃ** ওলিভ রিদলি টর্তল কনসেন্ট্রেসন জোন্দা আইন কায়না ঙা ফাবা চঙশিল্লকখিবা ঙামী ৪০ ফারে হায়না ফোরেষ্ট ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কেন্দ্রপরা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ঈশিংগী শরুক অদুদা ঙা ফাবগী অথিংবা থমখ্রবনি। মাঙশিল্লক্লবা থেঙ্গুশিংনা চহী খুদিংগী ওইনা মকোন শাফম ওইরিবা লমদম অদুদা ঙা ফাবা য়ারোই হায়বগী অথিংবা অদু হৌখিবা চহী কয়াগী মমাঙদগী চৎনদুনা লাকখিবনি।

ফোরেষ্ট পেট্রোল ইসক্বাদনা মফম অদুদা দিপ সি ট্রোলর শীজিন্নদুনা ঙা ফাননবা হোৎনরম্বা ঙামী ৪০ ফাগৎপা ঙমখ্রে। থেঙ্গুশিংনা পুনশিন্দুনা লৈবা মফম অদু মীওইবশিংনা খূৎ থিংজিনবা য়াহন্দনবগীদমক লমদম অদুদা ঙা ফাবগী অথিংবা থমখিবনি।

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা হাইস্পিট বোদশিং শীজিন্নদুনা লমদম অদুবু অকনবা মওংদা ঙাক শেল্লিবনি। উরিষ্যাগী মেরিন ফিসরিস রিগুলেসন এক্ট থুগাইবগা মরী লৈননা ঙামী কয়া ফাগৎখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

# টিবেটতা চিনাগী ফাইটর জেটশিংনা এক্সর্সাইজ পাঙথোকখ্রে



**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২১ ঃ** টিবেট প্লেটুদা চিনাগী মিলিটরি এয়ারক্রাফ্টশিংনা ত্রেনিং এক্সর্সাইজ পাঙথোকখ্রে। লমদম অদুদা এক্সর্সসাইজ তৌখিবগী ফোটোশিং চিনাগী মিলিটরি ৱেবসাইটতা থাগৎলকখ্রে। চিনানা ৱেষ্ট্রন ঠিয়েটর কমান হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা শীংনরকপা খুদিংমক থেংননবা খঙহনখ্রে হায়রি।

গ্লোভেল টাইমসকী রিপোর্ট মতূং ইন্না চিনাগী লান্মী পিপলস লিবরেসন আর্মিগী ফাইটর জেট কয়ানা টিবেট প্লেটুদা মিলিটরি এক্সর্সাইজ পাঙথোকখ্রে। হায়রিবা মফম অদু ইন্দিয়াগী ঙমখৈগা নক্লনা লৈবা মফম অমনি। গ্লোভেল টাইমসকী পাউ অদুনা সোং জোংপিং কৌবা মিলিটরি এফিয়ার্সকী কম্মেন্টেটর অমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমসু পুথোরক্লি।

পাউ অদুগী মতূং ইন্না চিনানা ৱেষ্ট্রন ঠিয়েটর কম্মান্দ হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবগী থবক পায়খৎলি হায়রি।

চিনাগী এয়ারফোর্সনা টিবেট লমদমদা এক্সর্সাইজ তৌবা অনৌবা থৌওং অমা নৎত্রে। মমাঙদসু কয়ারক হন্না লমদম অদুদা মিলিটরি এয়ারফোর্সকী এক্সর্সাইজ পাঙথোকখিবা লৈখ্রে। চিনাগী লান্মীশিংনা ইন্দিয়াগী এয়ারফোর্সনা লান্দারকপা খুদিংমক ঙাকথোক্লবা শেম শাদুনা লৈগদবনি হায়নসু খঙহনখ্রে হায়রি।

চিনাগী ৱেষ্ট্রন ঠিয়েটর কম্মান্দগী মখাদা পি এল এ গী এয়ারফোর্স এবিয়েসন্না থৌশিল কয়া পায়খৎলি। চিনাগী এয়ারক্রাফ্টশিংনা টিবেটতা এক্সর্সাইজ তৌখিবা অদু ইন্দিয়াগী ওইনদি চাওনা শীংনবা অমা ওইরি। পি এল এ গী এ জে–১০ ফাইটর জেটশিংনা এরিয়েল কোম্বেদ ত্রেনিং এক্সর্সাইজ অদু পাঙথোকখিবনি। চৎলিবা থা অসিগী ১৩ দগী হৌনা চিনাগী লান্মীশিংনা টিবেট লমদমদা এক্সর্সাইজ অদু চথবা হৌরকখিবনি হায়রি।

ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সনা অৱাং নোংপোক্কী মফম কয়া ঙাক শেন্দুনা থম্ননবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা চিনাগী পি এল এ না ফাইটর জেট এক্সর্সাইজ অদু পাঙথোরকখিবনি হায়রি।

## GAS TODAY

**M M Gas**
Booking : 15/01/18
Valid : 10/01/18
Stk : 612 DBTL
Time : 07.30 to 10.30 a.m
Rate : Rs. 842.50/-

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 05/01/18
Valid : 02/01/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**K & K Indane Service**
Booking : 15/01/18
Valid : 05/01/18
Stk : 612/19kg Available
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Khurkhul Heikham Indane**
Booking : 20/12/17
Valid : 01/12/17
Stk : 306
Time : 08.00 to 12.00 noon

**Lambodara Indane**
Booking : 24/01/18
Valid : 20/01/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 16/02/18
Valid : 11/02/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m
19kg Available

**GBD Gas, Lamlong**
Booking : 05/01/18
Valid : 20/12/17
Stk : 612 CTC
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**J. Rongmei Gas, Wangoi**
Booking : 10/01/18
Valid : 03/01/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khongnang Gas, Ningthoukhong**
Booking : 10/01/18
Valid : 03/01/18
Sl. No. 5316
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m
Commercial Gas Available

**Imphal LPG Service**
Booking : 21/01/18
Valid : 16/11/17
Sl. No. 46450
Stk : 306/19kg 100
Delivery at Heinoupok Godown


## DOCUMENT LOST

I have lost my file containing the following documents Marksheet of Meghalaya Board of School Education, Headquarters : TURA Examination 2011 bearing Roll No. 27263 and Original certifate of Diploma course Examination 2015, Mark sheet (Term I-VI) bearing Roll No. 145005 & Migration Certificate bearing Registration no. 1100113167 of 2011 issued by Manipur University on the way in between Nambol and Manipur University, Canchipur on 19-2-2018.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/-
**Meitram Malemnganba Meitei**
Khabi Mamang Leikai
Mobile no. 986259671

SL/BILL/SADA/22


সনা–সুদোকু –১০৯০ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 9 | 3 | 6 | 7 | 2 | 8 | 5 | 1 |
| 7 | 1 | 2 | 3 | 8 | 5 | 6 | 4 | 9 |
| 5 | 8 | 6 | 1 | 9 | 4 | 7 | 3 | 2 |
| 8 | 6 | 1 | 2 | 5 | 7 | 3 | 9 | 4 |
| 9 | 5 | 7 | 8 | 4 | 3 | 2 | 1 | 6 |
| 3 | 2 | 4 | 9 | 1 | 6 | 5 | 8 | 7 |
| 2 | 7 | 9 | 4 | 3 | 8 | 1 | 6 | 5 |
| 1 | 3 | 5 | 7 | 6 | 9 | 4 | 2 | 8 |
| 6 | 4 | 8 | 5 | 2 | 1 | 9 | 7 | 3 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1091**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 1 | | 6 | | | | 8 | |
| 5 | 4 | | | | | | 1 | |
| | 3 | | 2 | | | 9 | 4 | |
| 1 | | 2 | | 5 | | 4 | | |
| | | 8 | | 9 | | 6 | | |
| | | | | 4 | | | | 1 |
| | | | 4 | | | | 3 | 5 |
| | | | | | | | | 4 |
| 7 | | | 9 | | | | | |